

# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL, SATURDAY, JANUARY 27 , 2018 PAGE 7


*ইন্দিয়াগী কেপ্টেনশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী রন য়াম্না লৌবা ঙম্বগী হান্না থম্লম্বা এমএস ধোনিগী রেকোর্দ অদু রন ৩৪৫৬ লৌদুনা থুগাইবা ঙমখ্রবা ভিরাট কোলি*

*গিব্রালটর মাষ্টর্স টুর্নামেন্টকী অহুমশুবা রাউন্দদা ইংলেন্দগী শান্নরোই মাইকেল এদামসকা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ২.৫ ফংদুনা অতোপ্পা শান্নরোই ৭ কা মাঙজিল থামিন্নরিবা ইন্দিয়াগী ললিত বাবু*

## চহী ১৯ মখাগী আই সি সি ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপ্তা ইন্দিয়ানা বাংলাদেশপু রন ১৩১দা মায়থিবা পীদুনা সেমিফাইনেলদা পাকিস্থানগা লম্বা তৌনরগনি



রন ৮৬ লৌবা ঙমখিবা ইন্দিয়াগী বেটচমেন শুবমান গিল

*ক্রিস্টাউন, জনুৱারী ২৬ঃ*

ন্যু জিলেন্দনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকপা আইসিসি (ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিল) গী চহী ১৯ মখাগী ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপকী গ্রুপ (বি) গী ঙসি ক্রিস্টাউনদা শান্নখিবা মেটচ অমদা ইন্দিয়ানা বাংলাদেশপু য়াম্না হেনদুনা রন ১৩১দা মায়থিবা পীদুনা ৱার্ল্ড কপ অসিগী সেমিফাইনেলদা পাকিস্থানগা লম্বা তৌনরগনি।

ঙসিগী মেটচ অদুগী টোস ইন্দিয়াগী কেপ্তেন পৃথিবী সোনা ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌখি। ইন্দিয়াগী বেটচমেনশিংনা অপুনবা ওভর ৫০গী অনীশুবা বোলদা মখোয় ১০ আউট ওইরগা রন ২৬৫ লৌখিবনি। মদুগী পাউখুমগা বাংলাদেশকী বেটচমেন ১০মক ওভর ৪২গা বোল অমা মায়োক্নরকপদা শুপ্নগী রন ১৩৪খক লৌখিবা মরমনা মেটচ অদু ইন্দিয়ানা রন ১৩১দা মায়পাকপা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী ইন্নিংস হৌরকপদা ফিভম শোকখি। ওপনর মনোজ কলরা শুপ্নগী রন ৯দা আউট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ শুবমাননা গিলনা শিল্লকখি। গিলনা টিম অদুগী কেপ্তেনসু ওইরিবা পৃথিবী সোনা মখাতানা ইন্নিংস শান্নরকখি।

মখোয় অনীনা ওভর ১৫ হেন্না শান্নরকপদা রন ১০২ শুহনবা ঙমখি। ওপনর সো রন ৪০দা আউট ওইদুনা হরবিক দেসাই শান্নবা চঙলকখি। মহাক্না গিলগনা ৩শুবা ৱিকেট পার্টনর্সিপকীদমক রন ৭৪ হাপচিন্দুনা ইন্দিয়াগী অপুনবা স্কোর অদু রন ১৭৬ য়ৌহনখি।

দেসাই রন ৩৪দা আউট ওইখ্রবা মতুং নৌনা চঙলকখিবা রিয়ান পরাগকা গিলনা রন ৫খক হাপচিনবদা ঙাইরিঙৈ গিল রন ৮৬তা আউট ওইখি। মহাক্কী ইন্নিংস অদুদা বোল ৯৪ মায়োক্নবদা ফোর ৯ য়ৈবা ঙমখি। রন ১৫দা আউট ওইদুনা অভিসেখ শর্ম্মা শান্নবা চঙলকপদা রন ৫০ হাপচিল্লগা মখাতাবা ইন্দিয়াগী বেটচমেনশিং রন ২৬৫ শুরকপদা আউট ওইখিবদগী বাংলাদেশনা রন ২৬৬কী টার্গেট লৈখি।

বাংলাদেশকী মায়কৈদগী ওপনর পিনাক ঘোসনা রন ৪৩ লৌরম্বা অদু নত্তনা অতোপ্পা বেটচমেনশিংদি রন ২০ য়ৌবা ঙমদনা ইন্নিংস অদুগী ওভর ৪২গা বোল অনীশুরকপদা বেটচমেন ১০ আউট ওইখিবদগী মেটচ অদু ইন্দিয়ানা রন ১৩১দা মায়পাক্কুনা সেমিফাইনেলদা পাকিস্থানগা লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

## ইন্দোনিসিয়া মাষ্টর্স বেদমিন্টনদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই অনীগী লম্বাদা সাইনা নেহৱালনা পি ভি সিন্ধু থোয়খ্রে



*ক্বার্টর ফাইনেলদা সিন্ধু মায়থিবা পীদুনা সেমিফাইনেল য়ৌখ্রবী নেহৱাল*

*জকার্টা, জনুৱারী ২৬ঃ*

ইন্দোনিসিগী কোনুং জকার্টাদা পাঙথোক্লিবা ইন্দোনিসিয়া মাষ্টর্স বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই অনীগী লম্বাদা সাইনা নেহৱালনা পি ভি সিন্ধুবু মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমিফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

য়ু এস দোল্লর ৩৫০,০০০গী শেলগী মনা লৈবা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেলদা কুমজা ২০১২ লন্দন ওলিম্পিক গেমসকী ব্রোঞ্জ মেডালিষ্ট সাইনা নেহৱালনা কুমজা ২০১৬কী সিলভর মেডালিষ্ট ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই পি ভি সিন্ধুগা লম্বা তৌনখি। অহানবা গেমদা সাইনানা পোইন্ট ৩–০দা মাংজিল থাদুনা চৎখি।

অদুবু সিন্ধুনা মখাতানা পোইন্ট ৪–৪দা মান্নহনবা ঙমখি। মশাগী চহী ২৭শুরবী মতম শাংনা মখুউ শোকপদগী শান্নরুদ্রবী নেহৱালনা গেম অদুগী ব্রেক্তা ১১–৯দা হেনদুনা লৈখি। মহাক্না মখাতানা পোইন্ট হেন্না লৌশিল্লকপদগী ১৮–১০দা হেনখিবা অদুনা মরম ওইরগা অহানবা গেম অদু পোইন্ট ২১–১৩দা থোইখি।

অনীশুবা গেম হান্নদগী য়াম্না কন্না লম্বা হেনগৎনখি। পোইন্ট ১০–১০ মান্নদুনা লেঙ য়াম্না মান্নখি। পোইন্ট ১৪–১৪ ফাওবা মান্নদুনা গেম অদু মখা চত্থরকখি।

য়াম্না শাংবা রেলি অমা শান্নরবা মতুং নেহৱালনা পোইন্ট ১৫–১৪দা হেনবা ঙমখিবা অদু মখাতানা হেনবা ঙমখি।

সাইনা নেহৱালনা পোইন্ট ১৭–১৪দা মাঙজিল থাদুনা চৎপা ঙমখ্রবসু হৌজিক হৌজিক নুপী মালেমগী বেদমিন্টন রেঙ্কিংদা ৩শুবা পোজিসন্দা লৈরিবী পি ভি সিন্ধুনা কন্না হোৎনরক্কুনা ৫ মখাতানা লৌবা ঙমখ্রবসু সাইনা নেহৱালনা ক্বার্টর ফাইনেলগী অনীশুবা গেম অদু পোইন্ট ২১–১৯দা থোইদুনা সেমিফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। নেহৱালনা টুর্নামেন্ট অসি ফাইনেল য়ৌননবা সেমিফাইনেলদা থাইলেন্দগী শান্নরোই রাটচানোক ইন্টানোনগা লম্বা তৌনরগনি।

## আনন্দ ১১শুবা রাউন্দ মায় পাকখ্রে

*ৱিক আন জি, জনুৱারী ২৬ঃ*

নেদরলেন্দসকী সিটি ৱিক আন জিদা পাঙথোক্লিবা ৮০রকশুবা টাটা ষ্টিল চেছ টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ১১শুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরম্লবা বিশ্বানাথন আনন্দনা মহাক্কী মেটচ মায় পাক্কুনা পোইন্ট ৭ ফংবা ঙমখ্রে।

আনন্দনা ১১শুবা রাউন্দ অদুদা চাইনাগী শান্নরোই হৌ য়িফানগা শান্নবদা মায় পাকপা ঙমদুনা হান্না পোইন্ট ৬ ফংলম্বদগী ৭ য়ৌবা ঙমখিবনি। টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান শান্নরোই দেনমার্কী মেগনস কার্লসননা অজর্বাইজানগী শান্নরোই সাখ্রিয়ার মেমেদিয়ারোবকা শান্নবদা দ্রো চত্তুনা শান্নরোই অনীম্মক পোইন্ট ৭.৫ / ৭.৫ ফংদুনা লৈরি।

চেলেঞ্জর্সকী কাংলুপ্তা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোই ভিদিট গুজরাথিনা ১১শুবা রাউন্দদা য়ুক্রেনগী শান্নরোই এন্টোন কোরোবোবকা শান্নবদা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ৭.৫ ফংদুনা লৈরি।

## স্পেনগী কিংস কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা বার্সেলোনানা ইস্পানিওল পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে



*বার্সেলোনাগী লিওনেল মেসিনা ইস্পানিওলগী মায়োক্তা পাঞ্জল চনবা বোল কাওশিনখিবা*

*মাদ্রিদ, জনুৱারী ২৬ঃ*

স্পেনদা পাঙথোকপা মরুওইবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা কিংস কপ হায়রগসু খঙনবা কোপা দেল রে কপকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলগী অনীশুবা লেগকী মেটচ অমদা মমাঙগী চেম্পিয়ন বার্সেলোনানা ইস্পানিওলবু পাঞ্জল ২–০ দা থোইদুনা এগ্রিগেটতা ২–১ দা হেনখিবদগী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

ঙরাংগী মেটচ অদুদা য়ুএস দোলর মিলিয়ন ২০০.৬৫ তা বার্সেলোনা ফুটবোল ক্লবকী অনৌবা রেকোর্দ ওইনা ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী টিম অমা ওইরিবা লিভরপুলদগী নৌনা শরুক য়ারকপা ফিলিপ কোটিনোসু মহাক্কী অহানবা মেটচ শান্নবা ঙমখি।

বার্সেলোনাগী হোম গ্রাউন্দ নৌ কেম্পতা তিনখিবা মশিং য়াম্লবা ভাবকশিং অদুনা টিম অদুনা ইস্পানিওলগা শান্নখিবদা অহানবা লেগ অদু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা নংখিবনি। মরম অদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌননবগীদম বার্সেলোনানা ইস্পানিওলবু পাঞ্জল অনী হেল্লগা থোইদবা য়াদবগী তাঞ্জা অদু লৈখিবনি।

মমিং লৈরবা ফুটবোল রিয়েল মাদ্রিদ লোয়ননা অতোপ্পা ক্লব অনী এঠলেটিক বিলবাও অমসুং রিয়েল সোসাইদেদ মমিং থোইনা লৈতবা ক্লবশিংগী মখুত্তা মায়থিখিবা মরম্না বার্সেলোনানা ঙরাং শান্নরকখিবা মেটচ অদু অহানবা লেগসু মায়থিখ্রবা মতুং ভাবকশিং অদুনা ৱাখল ৱানা মীৎয়েং তাখিবনি।

মেটচ অদুদা বার্সেলোনা ক্লবতা চহী তরেৎমখায় হেন্না শরুক য়ারক্লবা আর্জেন্টিনা মচা জেবিয়র মাস্কেরানোনা চাইনাগী ক্লব হৈবৈ চাইনা ফোর্চুনদা চৎখিগদবা অদুবুসু ইকাই খুম্নবা উৎখি।

মেটচ অদুগী অহানবাপাঞ্জল লুই স্বারেজনা চনবা ঙমখি। মহাক্কী মতুং অনীশুবা পাঞ্জল অদুসু ইকান কান্নদনা লিওনেল মেসিনা চনদুনা ২–১ দা মায় পাক্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌখিবনি।

## ফিফা ৱার্ল্ড কপ ২০১৮, রুসিয়া টিমশিংগী প্রোফাইল –৭ (সাউথ কোরিয়া)

### এল. কালা, উরিপোক

রিপব্লিক ওফ কোরিয়া (টেহান মিন,গুক) পুম্নমক্কা সাউথ কোরিয়া হায়রগা খঙনবা লৈবাক অসিদা লৈরিবা কোরিয়ান জাতিশিং অসি নিতি নিয়ম য়াম্না চেকশিন্না ঙাক শেনদুনা চৎপা খুন্নাই অমা ওইনা লৈবা অদুগা মীওই কাঙলূপ অসিসু শাহৌমিন্নরকপা জাৎ অমত্তগী ওইবনা হান্নদগী হেন্না লৈরকপা, শোক ১৯১০ দগী জপান লৈবাক্না চহী ৩৫ খুদুম চন্দুনা অৱা চৈথেং কয়া ফংদুনা মায়োক্কদুনা লাকখিবা শোক ১৯৪৫ দা জপান্না থাদোক্লম্বা নিং–খা তম্লবা লৈবাক অমা ওইরকপগা সাউথ কোরিয়া, নোর্থ কোরিয়া অনী খাইদোক্কুনা অমুক শোক ১৯৫০ দগী ১৯৫৩ ফাওবা চহী ৩ চুপ্না কোরিয়ান ৱার হায়না পৃথিবীদা খঙনদুনা মীওই লাখ কয়া পুন্সি মাঙখি, মীওই লাখ কয়া থিবা খঙদনা মাঙখি, মীওই লাখ কয়া অশোক অপন নংখি। সোভিয়েট য়ুনিয়ন অমসুং চিনানা নোর্থ কোরিয়াদা তেংবাংশিন্দুনা অদুগা য়ুনাইটেদ ষ্টেটনা সাউথ কোরিয়াদা তেংবাংশিন্দুনা চহী ৩ চুপ্না অকনবা লান থেংনবসিদা নোর্থ কোরিয়াগী মীওই ৭,৫০,০০০ মুক শিরগা ১,৪৫,০০০ রোম মফম খঙদনা মাঙখিবগা লোয়ননা লাখ ৬ তগী লাখ ৮ ময়া শোকখি হায়না পান্নবদা সাউথ কোরিয়াগী ওইনা মীওই ১,৭৮,৪০৫ রোম শিরগা ৩২,৯২৫ মুক্না মফম খঙদনা মাঙখিবা শোকপনা লাখ ৫,৫০ মুক শোক্কুনা লায়কন্নখি হায়বগী ৱারী লাইরিক্তা থেংনৈ। মীওইবগী লন–থুমদা নৎতনা কয়া য়ামখ্রবা মীওইবগী থৱাইনো লান মানা শোকহল্লিবা, মাঙহল্লিবা, শিহল্লিবা করিবু কান্নরিবনো খঙদে লাননা, পোকঙমদনা পোকপা থৱাই কয়া শিহল্লি মাঙহল্লি তাকহল্লি লন থুম য়ুম–কৈ শোকহল্লি শোয়নাইহল্লি মীওই কয়াবু, মীওইবনা খঙনা খঙনা জ্ঞান তারে হায়না হায়না হৌজিকসু লেপ্পা লৈতে পৃথিবীগী মফম মফম মচী মচী খুদিংদা লান শোক্লবা। সাউথ অমদি নোর্থ কোরিয়া খাইদোকখিবা ৱারীসিসু পৃথিবীগী অনীশুবা লাঞ্জাও লোইরকপদা অমেরিকাগী মিলিটরি কমানদর চালর্স বোনসটিল অমসুং দিন রুস্ক কোলোনেল অনীনা অমেরিকা ওকোপাইদ তৌবা জগা অসি থরটিআইট (৩৮) পেরেলেল হায়না ৩৮ লেটিচুট অসি ফাওবনি হায়খিবদগী অমেরিকানা সপ্পোর্ট তৌবা সাউথ কোরিয়ানা সিওল য়াওনা সাউথ কোরিয়া ওইহৌদুনা নোংচুপ্তা য়েল্লো সি, নোংপোক্তা জপান সি, সাউথ ইষ্ট চিনা সিনা কোইশিন্দুনা কংফাল লমগী পাক চাউবনা ৯৮,৮৫৯ স্কাৱার কিলোমিটর অদুগা কোষ্ট লাইননা ২,৪১৩ কিলোমিটর ওইরগা ২০১৫ ফাওবদা মীশিংনা ৪৯,০৩৯,৯৮৬ ওইদুনা লাইরিক হৈবগী চাংনা চাম্মদা ৯৭.৯ ওইদুনা লাইরবা য়াম্না লৈতবা লৈবাক অমা ওইনা হৌজিক্তি পৃথিবীদা ইলেক্ট্রোনিক আইটেম য়াম্না পুথোকপা ইন্দষ্ট্রি অচৌবা লৈবা পৃথিবীগী লৈবাক কয়ানা শিজিন্নরিবা জহাজ শাবগী পোৎচঙ পৃথিবীগী ওইনা তংখাই অমা হেন্না পুথোক্কুনা শেল থুমগী ফিভম য়াম্না মাঙজিল থাবা ঙল্লবা অদুগা শান্ন–খোৎনবদা লাক্ল–ফানা ঙমদবা লৈবাক অমা ওইনা লৈরে। সাউথ কোরিয়াগী অচৌবা সহর অনী অমগা হায়বা তারবদি ‘পুসান’ অমসুং ‘ইনচোন’ পৃথিবীদা মমিং লৈবা সহর ওইরিবনি লোয়ননা কুনমরি (২৪)শুবা সমর ওলিম্পিক ১৯৮৮ পাঙথোকখিবা মফম সিওল সহরনা কোনুং ওইরিবসিদা পাঙথোকখিবসিনা এসিয়াগী ওইনা জপানগী টোকিওদা ১৯৬৪ দা অহানবা পাঙথোকখিবদগী সাউথ কোরিয়াগী খ্বাইদগী চাওবা সিওল সিটিদা পাঙথোকপসিনা অনীশুবা ওইদুনা অমুক ২০২০ দা টোকিওদা পাঙথোক্কদবা ওইরি এসিয়াদা য়ুম্বু ওইদুনা১৯৮৮ ওলিম্পিক গেমস অসিদা স্নাগী মেডল ১২ (তরানিথোই),



লুপাগী মেডল ১০(তরা), শেঞ্জেংগী ১১ (তরামথোই) পুন্না মেডল ৩৩(কুন্থ্রহুমদোই) ফংদুনা পৃথিবীগী লৈবাক কয়া চাংয়েংনবসিদা মরি (৪) শুবা তাদুনা এসিয়াগীদা নৎতনা পৃথিবীগী অঙকপা লৈবাক অমা ওইখ্রিবনি। ওলেম্পিক গেমসতা মশান্না কয়াদা হৈথোই–শিংথোইবা উৎপা ঙমখিবদা নৎতনা পৃথিবীগী মীয়াম্না খ্বাইদগী পাম্না য়েংনরিবা ফুটবোল মশান্নগী ওইনা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ২০০২ জপানগা পুন্না কো হোষ্ট ওইমিন্নদুনা ফিফা ইতিহাসতা লৈবাক অনীনা পুন্না য়ুম্বু ওইমিন্নদুনা অহানবা পাঙথোকপা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ২০০২ ওইরিবনি।

য়ুম্বু ওইবসিদা সাউথ কোরিয়া মশান্নসিদা পৃথিবীগী খ্বাইদগী ফুটবোল হৈরে হায়না খনগৎলবা লৈবাক ৩২ (কুন্থ্রানিথোই) না শান্নবসিদা শম্নাদা ফাইনেল য়ৌবা ঙমহৌদবদগী শম্নাদা মরিশুবা তাহৌখি অদুবু নিংহন্নবা , নিংবা কায়বা হায়বদুদি ওইখিদে অহোইনদুম মালেমগী লৈবাক কয়ানা মখোয়গী হৈথোই–শিংথোইবা কয়াবু থাগৎনখি, শিংথানখি। সেমি ফাইনেলদা জর্মনিগী মখূত্তা ১–০ দা পোহৌবদগী অমুক অহুমশুবা পোজিসন তাহৌখিবসিনা এসিয়া মহাদেশকী ওইনা ফিফা ৱার্ল্ড কপ্তা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙম্বা অহানবা লৈবাক ওইরি। শোক ১৯৪৮ দা কোরিয়া ফুটবোল এসোসিয়েসন অমুক নৌহৌননা শেমদুনা জুলাই ৬, ১৯৪৮ দা হোং কোংদা অহানব ওইনা ইন্টরনেসনেল মেটচ হোং কোংগা শান্নবদা ৫–১ দা থোইদুনা চহীসিদা ফিফা মেম্বর ওইনা লাকখিবদগী ফুটবোল ইতিহাসতা ৱার্ল্ড কপ ১০ রক য়াওবা ঙল্লবা, এসিয়া কপ ১৩রক য়াওবদা ১৯৫৬, ১৯৬০ দা চেম্পিয়ন ওইবা ঙম্বা ১৯৭২, ১৯৮০, ১৯৮৮ অমসুং ২০১৫ রন্নর্স অপ তাবা ঙ মখিবতা নৎতনা ১৯৭০, ১৯৭৮ অমসুং ১৯৮৬ এসিয়ান গেমসতা স্নাগী মেডল ফংদুনা সাউথ কোরিয়া লৈবাক অসি ফুটবোল মশান্নসিদা য়াম্না হৈশিংবা লৈবাক অমা ওইদুনা ফিফা রেঙ্কিংদা ১৭ ফাওবা হাইগৎলম্লবা মতুংদা হৌজিক্লা ৫৯শুবদা হাইথরক্কুনা হনদক রুশিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ২০১৮ রুশিয়া অসিদা গ্রুফ ‘এফ’ তা জর্মনি, মেক্সিকো অমসুং স্বিদেনগা পুন্না তামিন্নদুনা জুন ১৮, ২০১৮ অসিদা স্বিদেনগা অহানবা মেটচ শান্নদুনা ২০০২ দা সেমি ফাইনেলদা ১–০ দা কাখিবা জর্মনিবু শোয়দনা মায়থিবা পীগনি হায়না নিংহন্নবা লৈতনা জুন ২৭, ২০১৮ দা শান্নগনি হায়না অরিবা প্লেয়ার অনৌবা প্লেয়ার কয়া কৌখৎতুনা হেদ কোচ সি টৈয়োঙনা য়াম্না অয়াঙবা পাস একুরেসি লৈনা পীদুনা থাজদবা অঙকপা খুৎশান্না অমা ৱার্ল্ড কপ ২০১৮, রুশিয়া অসিদা উৎথোক্কবা শান্ননবা অকনবা টেন্নিং পীদুনা হোৎনরি। য়েংসি গোল কিপর কিম সিরগয়ুনা করম্না বোল ফাবা, খ্বাইদগী চহি রিলবা মিড ফিল্ডর লি কিয়েন হোন সেলেক্সন ফংলক্কুনা ময়ায়দা করম্না শান্নবা।

## ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী দবলসকী টাইটল হঙ্গেরিগী বাবোস অমসুং ফ্রান্সকী লাদেনোভিসনা লৌখ্রে, ইন্দিয়াগী বোপানা অমসুং হঙ্গেরিগী বাবোস মিক্স দবলসকী ফাইনেল য়ৌখ্রে



*ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন টেন্নিসকী নুপীগী দবলসকী টাইটল ফংখ্রবা বাবোস অমসুং লাদেনোভিস*

*মেলবর্ন, জনুৱারী ২৬ঃ*

ওষ্ট্রেলিয়াগী সিটি মেলবর্নদা চথরিবা চহী অসিগী অহানবা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী দবলসকী ফাইনেল মেটচ মায় পাক্কুনা হঙ্গেরিগী টিমিয়া বাবোস অমসুং ফ্রান্সকী কৃষ্টিনা লাদেনোভিসি টাইটল ফংখ্রে। ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমসুং হঙ্গেরিগী টিমিয়া বাবোস মিক্স দবলসকী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেলদা ৫শুবা সিদেদ পেয়র হঙ্গেরিগী টিমিয়া বাবোস অমসুং ফ্রান্সকী কৃষ্টিনা লাদেনোভিসনা ২শুবা সিদেদ পেয়র রুশিয়াগী পেয়র একাটেরিনা মকারোভা অমসুং এলিনা ভেসনিনাবু ষ্ট্রেট সেট অনী ৬–৪, ৬–৩ দা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মিক্স দবলসকী ফাইনেলদা ৫শুবা সিদেদ পেয়র ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমসুং হঙ্গেরিগী টিমিয়া বাবোসনা ৮শুবা সিদেদ কানাদাগী গাব্রিয়েল দাব্রোস্কি অমসুং ক্রোএসিয়াগী মাটে পেভিসকা লম্বা তৌনরগনি।

ঙসি শান্নখিবা মিক্স দবলসকী অহানবা সেমি ফাইনেলদা বোপানা অমসুং বাবোসনা স্পেনগী মারিয়া জোস মার্টিনেজ সঞ্চেজ অমসুং ব্রাজিলগী মার্সেলো দেমোনিলাইনরবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমদা ৫–৭, ৭–৫, ১০–৬ তা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

অমরোমদা বোপানা অমসুং বাবোসকী ফাইনেলদা লম্বা ওইগদৌরিবা দাব্রোস্কি অমসুং পেভিসনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমি ফাইনেলদা ৩শুবা সিদেদ রুশিয়াগী একাটেরিনা মকারোভা অমসুং ব্রাজিলগী ব্রুনো সোরসপু য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট সেট অনী ৬–১, ৬–৪ দা থোইরম্বনি।

ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা ২শুবা সিদেদ স্বিজরলেন্দগী রোজর ফেদরর অমসুং ৬শুবা সিদেদ ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিক লম্বা তৌনরগনি।

স্বিজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা সেমি ফাইনেলদা সাউথ কোরিয়াগী চুং হিওনবু অহানবা সেট ৬–১ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থারবা মতুং অনীশুবা সেট অদুসু ফেদররনা ৫–২ দা হেনদুনা লৈরিঙৈ সাউথ কোরিয়াগী চুং শোকপনা মরম ওইরগা শান্নবা ঙমখিবদগী ফেদরর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।